অহানবা নুপী শুমাঙ লীলা - মোইৰাং পর্ব ফেষ্টিবেলগী মরিনি চনবা

লোইকুম লোইকা, থোইবী লোইকুম লোইকা মিংথোনবা লীলা ২ উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা চীংতম ৱিমেন্স এসোসিএসন (চীতুৱা) কৈশাম্পাৎ টোপ লৈরক মচিন্না শিন্দুনা চথরক্লিবা অহানবা নুপী শুমাঙ লীলা, মোইৰাং পর্ব ফেষ্টিবেলগী মরিনি চনবা নুমিৎতা ঙসি চীংঙু থাংজিং ৱিমেন্স কলচরেল এসোসিএসনগী *লোইকুম লোইকা* অমসুং ৱিমেন্স সোসল এন্দ কলচরেল দিভলপমেন্ট আর্টিষ্ট ইন্সটিট্যুটকী *থোইবী লোইকুম লোইকা* হায়না মিংথোনবা লীলা অনী উৎখ্রে।

চীংঙু থাংজিং ৱিমেন্স কলচরেল এসোসিএসনগী লীলা লোইকুম লোইকা-গী তাঙ্কক অমা

নুপী ঙাক্তনা শান্নবা অহানবা মোইৰাং পর্ব ফেষ্টিবেলগী অথোই-অহেন তান্নবগী মরিনি চনবা নুমিৎকী অহানবা প্লেদা চীংঙু থাংজিং ৱিমেন্স কলচরেল এসোসিএসনননা শান্নবা *লোইকুম লোইকা* হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে। লীলা অসি এম রঘুমণি কেগেচা, মোইৰাংনা ইবনি। লীলা অসিবু তাকপী-তন্বীবনা এম ইবেতোম্বী, তাকপী-তন্বীবদা মতেং পাংবনা এম মণিহারনি।

মোইৰাং কংলৈরোলগী নিংথৌরোল ৩২শুবা, খৃ ১০৮৩ দগী ১১৩৮ ফাওবদা পানখিবা কেগে নিংথৌ ঈৰাঙ পুরিকল্লাই লাইচীংখু তেলহৈবগী হাক্তক্তা থোকখিবা খম্বা থোইবী অনীগী নুংশি নুংওনদা য়ুম্ফম ওইনা শান্নবা লীলানি। থোইবীনা লোই কুম্মুরগা কারকপদা খম্বগা থুংনখিবগী ৱারীনি।

লীলা অসিগী পরিংদা চীংখুবগী মমোল্লোই থোইবী অমদি নোংয়াই খম্বগী নুংশি ইচেলদা নোংবান্না খুরৌ থাংবনি। নোংবানগী লৌনম চীরোল লাংদা থোইবীগী মপাবুং চীংখুবগা ৱাতানদুনা খম্ববু শামুখোঙদা পুন্দুনা চীংলগা য়াইবী মাঙহন্নবা হোৎনখি। মমোম লাংলেন থোইবীগী মতৌ য়েংঙমদদুনা পলেমশিংনা মপল ইবুঙো কেগে নিংথৌগা তানদুনা লোইদাম ফাইরেন থাগী মঙানি, য়ুমশাকৈশা কোৰৌদা খম্বগী হৈজিং খরাই পুহল্লকখি। মপাবুং চীংখুবনা হৈ চানিংই হায়রকপদা মমোম লাংলেন থোইবীনা খম্বগী হৈজিং-খরাইদা য়াওরকপা হৈরি মেৎতুনা পীজখি। মসিদা শরি ৱাশক কায়বগী খোয়শাওনরবা চীংখুবনা থোইবীবু শেনবী কবোদা লোই থাখি। কবোদা লোই থারুবগী হল্লকপদা নোংবানবু খুগাগী তেরাখাদা ঙাইহন্দুনা, নোংবানগী ময়ুমদা পুখিনবা শিনখি। অদুবু লৌশিং চাওবী থোইবীনা খম্বগী মরানয়াইদা য়ৌখি। ঈকায়দবা নোংবানগী ৱাকৎনা কংলা ৱায়েল চথখি। খম্বা নোংবান অনী মখুৎতা তা পায়নহল্লগা চাইননবা শিনখিবগী মতাংদা মপুং ওইনা শান্নবা লীলানি।

মোইৰাং পর্ব ফেষ্টিবেল ২০১৭ নৈনবা

মপুং ওইবা লীলাগী মীৎয়েংদা ময়ায় ওইনা চৎলি। মোইৰাং পর্বগী ওইবা মপুথোক অমদি মফোঙদোক্কী ওইবা মীৎয়েংদা নাথেদুনা চৎপা মতাং খরদা লোয়নদুনা শানবা লীলা ওইনা মীয়ামদা উহল্লি হায়বা য়াই।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি নিংথৌগী শক্তমদা পি ঐচ মেমচা, খম্বগী শক্তমদা হৈক্রুজম রিয়া, নোংবানগী শক্তমদা ফাইরেনবম ভবিনা, চীংখুবগী শক্তমদা কে ইবেতোম্বী, তুমু নিংথৌদা আর কে অঙৌবী, তম্পাকময়ুম হঞ্জবগী শক্তমদা খোইয়াংবম গম্ভীনি, থোঙঙাকপগী শক্তমদা ফাইরেনবম মনাওবী, চাওবগী শক্তমদা লোখাম জেনি, ফুবালা অহলগী শক্তমদা এম য়াইমবী অমসুং মনাইদা কে কোন্নুনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা - থোইবীগী শক্তমদা মোইৰাংথেম রবিনা, সেনুগী শক্তমদা সলাম ঙাম্বেই, মমাগী শক্তমদা য়ুমখাইবম থম্বাল, খম্নুদা লৈশাংথেম থোইবী, লাইরেম্বীগী শক্তমদা লৈশাংথেম রাধা, লৈকায়গী মৌ অমগী শক্তমদা কেজুলি, চনিংখোম্বীগী শক্তমদা নিংথৌজম জীতে, মমাগী শক্তমদা মোইৰাংথেম মেমানি।

বাঁসিদা এম উতমকুমার, পেনাদা পি ঐচ সিলাকান্ত, পুঙদা কে বিনোই, মেক-অপতা এম টিকেন অমসুং ঈশৈদা এম থবানি।

মরিনি চনবা নুমিৎ অসিগী অনীশুবা প্লেদা ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল দিভলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুটনা শান্নবা লীলা *থোইবী লোইকুম লোইকা* উৎখ্রে। লীলা অসি বি উমেশ শর্ম্মনা ইবনি। তাকপী-তন্বীবনা আই কে লুৱাং অমসুং তন্বীবদা তেংবাঙবনা টি ঐচ অঙৌবনি। লীলা অসি এন সামানা পুথোকপনি।

লীলা অসি মোইৰাং কংলৈরোলগী মাপনশুবগী মনুং চনবা খম্বা থোইবী অনীগী নুংশি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা তাঙ্ককনি। লীলা অসিগী পরিংদা খম্ববু শামু খোঙয়েৎলুবগী কৈশুমশঙদা নুমিৎ কয়ানি লৈরুবা মতুং ময়ুম মরানয়াইদা চীংখুবা হল্লকখি। অঙোম নোংবান কোনয়ানবগী থৌগলদা পেল্লদুনা চীংখুবনা মমোম লাংলেন থোইবীবু থাজগে খনখি। অদুবু মমোম থোইবীনা য়াদ্রবদা চীংখুবনা থোইবীবু কবো নিংথৌদা মমল লৌদুনা মীনাই ওইনা য়োন্থোকখি, লোই থাখি।

চীংঙু থাংজিংগী লীলা মপুং ফানবা চীংখুবগী মঙলান্দা মমোম থোইবীগী শক্তম লৌদুনা পান্থোইবীনা তেংথা নাওইরমখি। চীংখুবনা নাইজহনববু তন্না থাদুনা মমোম থোইবীবু কবোদগী লৌখৎহল্লি। নোংবানদা চীংখুবনা তাঞ্জা পীদুনা থোইবীবু কুম্বী তেরাখাদা লোই ওকহল্লি। লৌশিং চাউবী থোইবীনা কবোরাই হৌশিন্নদুনা নোংবানগী শগোল তোংদুনা খুমন মরানয়াই য়ৌখিবগী ৱারীগী মপুথোক্তা লীলা অসি শান্নে।

ৱিমেন্স সোসল এন্দ কলচরেল দিভলপমেন্ট আর্টিষ্ট ইন্সটিট্যুটকী *থোইবী লোইকুম লোইকা* লীলাগী তাঙ্কক অমা

লীলা অসি মপুং ওইনা য়েংবদা মায় পাক্লা চৎলি। অদুবু দাইলোগ লৎপা মতাং লীলাগী তাঙ্কক খরদা য়াওদবনি নত্তে। ইচং থৌবা আর্টিষ্টশিংগী থৌনা অদুবুদি থাগৎতবা ঙমদে। অচঙবা আর্টিষ্টকী, মতীং লৈবা মতৌদি লীলা অসিদা ফোঙদোক্লি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি - চীংখুবগী শক্তমদা টি ঐচ ওংবী ভবিনি, খম্বগী শক্তমদা টি প্রেমিলা, তম্পাকময়ুম হঞ্জবদা এন শ্যামা, দোলাইপাবদা পানেশ্বরি, নোংবানগী শক্তমদা টি ঐচ ওংবী অঙৌবী লৈমা, সৌরাদা টি অরুনা, কবো নিংথৌদা জেন্নি, কবো দুৱারীদা কে ঐচ চাউবী অমসুং সনায়াইমনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা - মমা অহুমদা খাইদেম লোলিতা, এম সনা অমসুং সুশিলানি। থোইবীগী শক্তমদা এ রেবিকা, সেনুগী শক্তমদা এন জি হেলেনা, তোরোগী শক্তমদা সুস্মা, পান্থোইবীগী শক্তমদা এল নাগাপাই এলিয়স রোমিলা, খম্নুগী শক্তমদা সুস্মা অমসুং চনিংখোম্বীদা অনিশানি।

পেনা অমসুং বাঁসিদা সুরজিৎ, মেক-অপতা ইনাওচা, ম্যুজিক দিরেক্টরনা টি ঐচ বুধ অমসুং থিনবা-য়ৈবদা বুধ অমদি পেমানন্দনি।

*হয়েং মোইৰাং পর্বগী অরোইবা মঙানি চনবা নুমিৎতা ৱিমেন্স দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী লীলা **"পুরেন্বা"** উৎকনি হায়রি।*

৩৮শুবা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প ২০১৭ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : য়ঙ ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন, ৱাঙ্খেগী ৩৮শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক মণিপুর শিনবা থুংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিদা মতেং ওইনবা ৩৮-শুবা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ৱাঙ্খে কম্যুনিটি হোল, ৱাঙ্খে দুর্গা পুজা লম্পাক, ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লাইফ সেভরস মণিপুর, ৱাঙ্খে, ইম্ফাল ইষ্টকী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মা কুমার শর্ম্মনা থোকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, কেম্প অসি য়ঙ ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (ৱাই ভি ও) ৱাঙ্খে, লাইফ সেভরস মণিপুর, ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন, মণিপুর অমদি ব্লদ বেঙ্ক, রিমস, লম্ফেলগা পুন্না খুৎশিন্নরগা পাঙথোক্কনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা এসোসিএসন/ক্লব/ওর্গনাইজেসন/ইন্সটিট্যুসন/কোলেজশিংগী মীওইশিংনা সিম্পেথিজর, মেম্বরশিংনা নুমিৎ অসিদা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা এগজামিনেসনশিংদা মকোক-মথং তারক্লবা, মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি মেদিকেল টোপ্পরশিং হরাউ-তয়ান্না ওকপগী থৌরম অমা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি এস ঐচ এদিসননা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা কোনবা মহৈলোয়শঙশিং, বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন, ক্লাস টুৱেল্ভ এগজামিনেসনদা মকোক-মথং তারকখ্রবা-মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা অমদি পোজিসন তারকখ্রবা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম খুৎশিন্নগনি।

মসিগা লোয়ননা মেদিকেল এগজামিনেসনশিংদা টোপ্পর ওইরকখ্রবা অমসুং লৈবাক অসিগী ঈ-পাউ, প্রিন্ট মিদিয়াগী লমদসু চাউনা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংবুসু এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা অচম্বা খুদোল তমগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'হায়র সেকেন্দরী লেকচরশিংগী এমজেল পীথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : নম্বোল হায়র সেকেন্দরী স্কুল অমদি অতৈ হায়র সেকেন্দরী লেকচররশিংগী এমজেল খুদক্তা পীনবা ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরী লেকচররস' ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না তকশিল্লক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, নম্বোল হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা লেকচরর ১১ দা পীফম থোক্লবা এমজেল পীদবনা ওজাশিংনা ষ্ট্রাইক চঙশিনখিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা এদ্যুকেসন লোয়শঙনা থবক পায়খৎনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তকশিল্লি।

মতম শাংনা লেকচররগী শিনফম তৌদুনা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীদুনা লাক্লবা ওজাশিংবু রেগুল্যলর পীদবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক এপ্রিল ১ দা রেগুল্যলর ওর্দর পীখ্রবসু ঙসিফাওবা মরী লৈনবা এমজেল পীবিদ্রে। লোয়শঙগী মায়কৈদগী সেঙ্কসন পোষ্ট লৈতদুনা তৌদ্রিবনি হায়রিবা ৱাফমসি হায়বীদনা মণিপুর লৈঙাক্লা পোষ্ট অৱাৎপশিং সেঙ্কসন তৌবদুনা ওজাশিংগী অৱাবা অসি কোক-হন্নবসু চেরোল অসিনা হায়রি।

হৌজিক প্রমোসন-পোষ্টিং লোয়ননা অনৌবা স্কুল অমদা পোষ্টিং পীখিবদগী চরাংনরিবসিসু অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুবীরক্লবসু চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

অৱাবা ফোঙদোকপা

খুরাই কেন্দ্রগী চাউখৎ-থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা ঈকায় খুম্নজরিবা Ex-MLA Dr. Ng. Bijoy Singh গী লুচিং মখাদা শেমজবা Development Committee গী মেম্বর ওইবীদুনা মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরম্বা তখেলময়ুম কেনেদি সিংহ, খুরাই কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবীরম্বনা ইখঙ-খঙহৌদনা জুলাই ২৪ দা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা Shri Ng. Bijoy Singh, Ex-MLa, Khurai অমদি Shri T. Gulamjat Singh, President, Khurai Dev. Committee অনীনা Dias তা লেঙশিনবীদুনা মিনিট ২তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লোয়ন-লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা : **T. Gulamjat, President**
Khurai Development Committee

HL-P/2257/25

L.M. EDUCATIONAL INSTITUTE

(NAVODAYA ENTRANCE COACHING CENTRE)
Top Khongnangkhong, Porompat D.C. Road, Imphal East.

ADMISSION OPEN

3 MONTHS ADVANCED COACHING FOR NAVODAYA ENTRANCE EXAMINATION 2018

CLASS COMMENCE FROM 2ND AUGUST, 2017

- Van Sevice, Boarding facilities are also available.

Last Date of Registration : **1st August, 2017**

CONTACT NO. 9856665878

HL-P/2098/18,20,22,23,25,27&29

/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ে য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ে য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/3974/28/06-28/07

/DOCUMENT LOST

I have lost my Grade Sheet cum Certificate of Performance of AISCE (Class X) bearing Roll No. 7199124 of 2012 (Patna Region) and Qualifying Certificate & Mark Statement of AISSCE (Class XII) bearing Roll No. 3645418 of 2014 (Guwahati Region) issued by CBSE respectively on the way between Dimapur and my residence on 01-07-2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Sougaijam Subrata, Uripok Achom Leikai, Imphal.

HL-P/2251/25

অৱাবা ফোঙদোকচরি

"The Leishangthem Lairembi Thougan Lup" কী মতম শাংনা মেম্বর ওইবীরম্বা **শ্রী লৈশাংথেম অচৌবা সিংহ,** অপোকপা লৈশাংথেম য়াইমা সিংহ (চহী ৫০) থৌবাল লৈশাংথেমদা লৈবনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তাং ২০/০৭/২০১৭ ইং, ইঙেনগী ২৭ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা "The Leishangthem Lairembi Thougan Lup" Committee না অথুবা মীফম অমা "Leishangthem Lairembi" গী শঙলেন্দা ফমদুনা মিনিট ৪ তুমিন্না লৈদুনা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকচরি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবা শ্রীলৈশাংথেম অচৌবা সিংহনা হিংলিঙৈ মতমদা মশাগী কথোকপগা লোয়ননা শিংথানিঙাই ওইরবা থবক থৌরম কয়া মশক থোক্লা "ইমা লাইরেম্বী" অসিগীদমক্তা তৌবদা অচৌবা শরুক য়ারম্মী। মরম অসিনা শ্রী লৈশাংথেম অচৌবা সিংহনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা ওইহৌরগনি। লোয়ন-লোয়ননা লৈখিদ্রবা শ্রী লৈশাংথেম অচৌবা সিংহগী আত্মানা ঈশ্বর মাগী মফমদা ঈংনা চিক্লা তিনখিনবা লূপ অসিনা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

ফোঙদোকচরিবা : **The Leishangthem Lairembi Thougan Lup, Committee, Leishangthem**
# 8575507066

HL-P/2254/25

/নুঙশং ঈ তাবা অমদি গ্যাষ্ট্রিক লৈবা ফহনবা ওজা কবিরাজবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপা মতম শাংলে। লায়ওংদি মরুওইনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, ঈ তাবা, সৌজ নাম্থবা, মপানথোংদা ব্রি ব্রি চৎপা, তিনকুপ লৈবা অমদি মচুম তাবা অসিনি। মণিপুরগী মফম খুদিং চৎতুনা কয়া অমসু তান্নজরুরে। অদুবু ফবা কৌবা লৈতে। অরোইবদা ওজা কবিরাজ **H. UMAR ANSHARI, LILONG LAMKHAI, CONTACT NO. 8575765783** গী হীদাক অমুক্তং চারুবদা পুম্নমক পুংফ-ফরে। তেল্লবা মতম চহী অমসিদা ওজানা মীওই কয়ামুক ফহনবীবগীদমক্তা অমদি ঐবুসু ফহনবগীদমক্তা হন্না হন্না থাগৎচরি। ওজাবু মতম কুইনা শাংনা পুন্সিদুনা মীয়ামগী সেবা মতোল লোম্না তৌবা ঙম্বা ওইরসনু অমদি ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি।

লায়েংফম : Lilong Lamkhai, Near Petrol Pump
মতম : অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা।
Contact No. 8575765783, 8258815243

থাগৎচরিবা : **Ch. Sananu Bibi**
Borayangbi

HL-P/2220/25

/ইখোল য়োঞ্জরি

অথুবগী ওইনা Sangaiprou FCI Godown গী মখা থংবা লম্পাক্কী হেক মনিংদা ফিট ১২৫ শাংবা ফিট ৪০ পাকপা ইখোল অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ লৌবীবা য়াগনি।

Contact : 9774705548
7085380807

HL-P/2261/25

শৈশকপা ওজা বীরকুমারবু থাগৎচরি

বীরকুমার

ওজা লাইশ্রম নবকিশোর, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফালনা ইবা লাইরিক **"চুম্মী" হায়না লৌবিব্রা? "লাল্লী" হায়না লৌবিব্রা?** হায়রিবা লাইরিক অসি থাগৎনিঙাইনি মরমদি মমল য়াল্লবা পাউরৌ পাউতাক্লা থল্লবা তুংগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙম্বা য়ুমথোঙ খূদিংদা পাবদা কান্নবা ফংগদবা লাইরিক্লি। মসিবু ঈশৈ ওইনসু শক্তোকপীদুনা মীয়ামবুসু তাবা ফংহনবীরিবা শৈশকপা কোংখাম বীরকুমার চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়বুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবাঃ **Laikhurai Ibomcha**
Wangkhei Tokpam Leikai

HL-P/2226/25

DOZEN MARUP
RECEPTION CEREMONY



A warm Reception cum Felicitation Function was observed at the residence of Shri N. Tejmani Singh, Secretary, Dozen Marup, Uripok, Imphal on Sunday, the 23rd July, 2017 in honour of Dr. Thongam Bhimo Singh, President of the Marup who was recently appointed as Director i/c of Jawaharlal Nehru Institute of Medical Sciences (JNIMS), Porompat, Imphal by the Government of Manipur.

The members prayed to the Almighty to be a brighter future for him.

Sd/- **Secretary, Dozen Marup**
Uripok, Imphal, Manipur.

HL-P/2110/25

OFFICE OF THE
THE FANCIER HR. SEC. SCHOOL

Thoubal College Road
(Managed by Fancier Educational Society, Thoubal)

/APPOINTMENT

Written applications from the intending candidates are invited for the post of Lecturer of the following departments :

S/No.	Name of Dept.	Post	No./Post	Qualification & Desirable
1.	English	Lecturer	01	M.A., M.Sc. with Experienced in Teaching
2.	Home Science	Lecturer	01	

Laste date of application submission : **29th July, 2017**
Date of Interview : **30th July, 2017 (10:30 a.m. sharp)**
Details can be had from school office : **# 9862179986, 9856330588**

Sd/- Principal
Fancier Hr. Sec. School

HL-P/2253/25&26

ADVANCED COACHING INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729

The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)

Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)


Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2017

2nd Position (Sc.2017)
R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches

2nd Position (Arts)
Guneshori

3rd Position(Arts)
Dholenchandra

8th Position(Arts)
Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105

HL-B/4027/21-20 Aug.

Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.

(A Government of Manipur Enterprise)
Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone: 0385-244 2381

/NOTICE

Imphal, the 22nd July, 2017

No. MHHDC-27/O&E/2017 : In view of the ongoing 2nd Session of the Manipur Legislative Assembly started from 20th July, 2017, all the applicants who have submitted application for engagement of Staff in the Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd. Paona Bazar, Imphal are informed that the Walk-In-Interview is hereby re-fixed on 11-8-2017 at 10:30 a.m. in the office premises of this Corporation.

All the applicants are, therefore, inform to appear before the Selection Committee as stated above with original supporting documents.

Sd/- K. Lamlee Kamei
Managing Director

HL-P/2258/25

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

Estd : 2003

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & TMSS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
GEORGIA: EUROPEAN UNIVERSITY

PLZ Contact: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,Near Cambridge School, old Campus Imphal.

Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 8257053310,8974084294 ,

HL-B/3969/26,28 jun -26 jul.